# জিরি কলেজগী ওঝাশিং থবক লেপ্পগী খোঙজং চথখ্রে




*জিরিবাম, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ জিরি কলেজবু সরকারগী মপূং ফাবা কলেজ অমা ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা সরকারনা মীরাইবিবদগী পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা জিরি কলেজ ইমপ্লোইজ এসোসিয়েসন্না ঙসিদগী হৌনা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকপগা লোয়ননা থবক লেপ্পগী খোঙজং চথবা হৌখ্রে অমদি বি এ, বি কোম অমদি বি সাইন্সকী ফোর্ম ফিল্লপ য়াওনা অতৈ থবক পূম্নমকসু থিংজিনখ্রে।

ঙসি জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক (জে এন এন)গী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জামিনিকান্ত সিংহনা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়, সরকারগী এদেদ কলেজ ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্লা সরকারগী কলেজ ওইরে হায়না মণিপুর সরকারনা ২০১৬ দিসেম্বর ৮ দা গেজেটিদা ফোঙখ্রবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী অমত্তা ঙাইরবা কলেজ অসি ঙসি ফাওবা মপূং ফাবা সরকারগী কলেজ অমা ওইবগী প্রোসেস লোইশিনবিদবনা মরম ওইরগা কলেজ অসি মুখকদৌরিব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরে।

মসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে অমদি চীফ মিনিষ্টরনসু অথুবা মতমদা প্রোসেস লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবা লৈখ্রে। জিরিবামদা পাঙথোকপা মীয়ামগী নুমিত্তসু দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী খূখাংদা চীফ মিনিষ্টর অমদি এদুকেসন মিনিষ্টরদা রিমাইন্দর ফাওবা পীশিনখ্রে। অদুবু থবক ওইনদি পাঙথোকপিরক্ত্রি। মমাঙ চহী ২০১৮ দিসেম্বর ২৭ তা চীফ মিনিষ্টরনা থবক লোইশিল্লো হায়না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টদা খঙহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবদি পন্দুনা লৈরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, জিরি কলেজবু সরকারগী কলেজ ওইরে হায়না মণিপুর সরকারগী গেজেটিদা ফাওবা ফোঙখ্রবা মতুংদা এদেদ কলেজ ৬ সু ২০১৮গী জুন ২৮ দা সরকারগী কলেজ ওইনা লৌশিনখি। অদুগা চৎলিবা থা অসিগী ২২ দা হায়রিবা কলেজ ৬ অসিগী পোষ্ট ক্রিয়েসন্নচিংবা তৌখ্রে। মসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ইম্ফালদগী লাপ্পা লৈবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী অমত্তা ঙাইরবা জিরি কলেজবু নাথৈদুনা থল্লম্বা অসিদি তশেংনা নুংঙাইতে। অথুবা মতমদা হায়বদি থা অসিগী ২৭ হয়েং ফাওবগী মনুংদা মণিপুর সরকারনা জিরি কলেজগী পন্দুনা লৈরিবা থবকশিং লোইশিনবিয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, করিগুম্বা থবক অসি লোইশিন্দ্রবদি জিরিবামদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংগা পূল্লগা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. টিঐচ রনধানি দেবী, ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ জোয়কুমার সিংহ, ট্রেজরর কে সরতকুমার সিংহ অতৈ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

## রোদ ট্রাফিক সেফটিগী এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিগী ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফালনা শীন্দুনা রোদ ট্রাফিক সেফটি হায়বসিদা এৱার্নেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম ঙসি সি আই কলেজ বিষ্ণুপুরদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. এম মঙ্গি সিংহনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা দিপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট (ওপস) বিষ্ণুপুর এ কে শান্তিকুমার সিংহনা হায়, নম্বোল মোইরাং লাইন্দদা এক্সিদেন্ট থোকপগী মরু ওইবা মরমদি ময়াই কাবা নিষা শীজিন্নবদগীনি। মীয়ামদা স্পিদ য়াংনা গারী থৌদনবা অমসুং আই এস আই সার্টিফাইদ তৌরবা হেলমেট উপনবসু হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্লুইজ কম্পিটিসনসু পাঙথোক্তুনা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি। লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, এন জি ওশিংগী মীহুৎ, ন্যুজ করেস্পোন্দেন্ট অমদি ন্যুজ রিপোর্টিংগী ট্রেনি অমসুং মহৈরোয়শিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

## জিরিবাম কলেজ রোদ থিংজিল্লগনি–ৱাই এল সি

*জিরিবাম, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ জিরিবামগী দিবোং খুনৌ অমদি কদমতলাগা ফাওনবা লম্বী অমসু ওইরিবা লোয়ননা য়াম্না মরু ওইবা লম্বী ওইবতা নত্তনা জিরি কলেজ ফাওবদা চৎনরিবা লম্বী অথুবা মতমদা শেম্বীদ্রবদি য়াইফ লমজিং ক্লব (ৱাই এল সি), দিবোং খুনৌগী খুঞ্জাশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা থিংজিল্লগনি হায়রি।

জিরিবামগী দিবোং খুনৌ ফাওদুনা চৎলিবা জিরি কলেজ য়ৌবা লম্বী অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদ্রবদি লম্বী অসিদা চক্কা মরি পানবা অমদি হেভি ভেহিকল খুদিংমক থিংজিল্লগনি হায়না ৱাই এল সি দিবোং খুনৌ অমদি মৈরা পায়বীশিংনা পাউমীশিংগা উনবা মতমদা ফোঙদোকখ্রে।



পাউমীশিংনা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা ৱাই এল সিগী এদভাইজর কাব্রাবম বিনোদ সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা হৌখিবা ২০১৭ গী দিসেম্বর ১১ দা গভর্ণমেন্টদা হায়জখিবা লৈখ্রে অদুবু হৌজিক ২০১৯ গী ফেব্রুৱারি লোইরক্ক–দৌরবা অসি ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না লৈথোকপা অসি খুঞ্জাশিং, মৈরা পায়বী অমদি ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসনশিংনসু খোইরাং খোইশাওনরে। লম্বী অসি য়াম্না খুদোং চাদবনা পিক্লিবা অঙাংশিংনা স্কুল চৎপদা উফুল হৌবনা মরম ওইদুনা নাদুনা হোস্পিটালদা পুখৎনরে। লম্বী অসিদা চৎকনি খনবদা মমা ওইবীশিংনা অঙাংশিংবু স্কুল চৎহন্নিংদবা ফাওনরে হায়খি।

মখাতানা ফোদোরকখিবদা জিরিবাম মীয়াম্না হায়জবা অসিদা মণিপুর সরকারনা নাচুংবিদবা অসি জিরিবাম থৌওইবিদবরা খল্লি। মরম অদুনা হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা মীৎয়েং চঙবিদুনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বিয়ু। লাক্লিবা মার্চ ১৫ ফাওবগী মনুংদা শেম্বিগনি হায়বগী থাজবা অমা পীরক্ত্রবদি লম্বী অসিদা চক্কা ৪ পানবা অমদি মখল খূদিংমক্কী হেভি ভেহিকলশিং চঙবা থিংজিল্লগনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

## জিরিবাম হোস্পিটালগী এম ওশিং তরাম্না ওকখ্রে

*জিরিবাম, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসন (অজুকা)না শীন্দুনা ঙসি জিরিবাম হোস্পিটালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা জেনিমস ইম্ফালগী এম বি বি এস থার্দ প্রোফেস্নেল (পার্ট টু)গী ফাইনেল এগজামদা অনীশুবা পোজিসন তাখিবী কেঐচ লোইজিঙানবী চনু অমদি হোস্পিটাল অসিদা নৌনা ট্রান্সফার লাকখিবা মেদিকেল ওফিসার ১৫ তরাম্না ওকখ্রে।

চীফ মেদিকেল ওফিসার ডা. ই ওকেন্দ্রো সিংহ, অজুকাগী প্রসিদেন্ট মুতুম মৈপাকসনা সিংহ অমদি হিল ঘাট জিল্লা পরিষদকী মেম্বর ওইরম্বা পি ঐচ মোন্তেশ্বরি দেবীনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অজুকাগী জেনরেল সেক্রেটরী এন ধর্মেন্দ্র মীতৈনা মচঙ ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, জিরিবামদগী টিঐচ লোইজিঙাম্বী চনুনা জেনিমসকী ওইনা অহানবা অদুগা এম বি বি এসতা অনীশুবা পোজিসন লৌরকপা হায়বসি জিরিবামগীদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী চাউথোকচনিঙাইনি।

জিরিবাম হোস্পিটালদা ডাক্তর মশীং ৱাৎপা অমদি হোস্পিটাল অসিদা ট্রান্সফার লাকপশিংনা লৈনিংদবা পোক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা জিরিবামদা পোকপা অমসুং চাউবা লোইজিঙানবী চনুনা এম বি বি এস ফাইনেল এগজামদা অনীশুবা পোজিসন ফংলকপা হায়বসি য়াম্না চাউথোকচনিঙাইনি। অমরোমদা জিরিবাম হোস্পিটালদা নৌনা মেদিকেল ওফিসার ১৫ ট্রান্সফার লাকপা অসিবুসু তরাম্না ওকই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা টিঐচ লোইজিঙানবী চনুদা খুদোলপোৎ কয়া পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। নৌনা ট্রান্সফার লাকখিবা মেদিকেল ওফিসারশিংবুসু ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা খুদোলপোৎ পীখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা নৌনা লাকখিবা মেদিকেল ওফিসার ৫ দি য়াওখিদে।

জে দি ও, এ জে এম পি, জিম্পাল, জিমৱাক, অমৱোভা, ৱাসেদ, এ জে দব্লিউএ, দব্লিউদব্লিউ ও কে, কাদা, ইপসা, জে এন কে এল, জে আই কে সি এল টি, জে আই টি আই বি বি এ, এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, এম জে সি, লোকেল ক্লব অমদি মৈরা পায়বী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

## মণিপুরী মুস্লিম হায়বসিদা কনফরেন্স

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ঃ ওল মণিপুর মুস্লিমস (মৈতৈ পাঙল) ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মণিপুরী মুস্লিম ঃ পাস, প্রজেন্ট এন্দ ফ্যুচর হায়বসিদা নুমিৎ নীনিগী ইন্টরনেস্নেল কনফরেন্স লাক্লিবা মার্চ ২ অমসুং ৩ দা হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোক্লগনি।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এ আর খান আই এ এস (রিটয়ার্দ)না ফোঙদোকখিবদি কনফরেন্স অসি মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা দি এম য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর ঐচ দিল্লিপ সিংহ আই এ এস অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টদিজগী দিরেক্টর ওইরম্বা প্রো এন জয়কুমার সিংহনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি।

টেক্নিকেল সেসন অনী লৈগদবা কনফরেন্স অসিদা তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈশিংনা চেরোল পাথোক–পগা লোয়ননা পেনেল দিস্কসন অমসু চথগনি। ট্রিপুরা, অসাম অমসুং মণিপুর অমদি য়ুমথংনরিবা লৈবাক বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদগী আর্টিষ্ট কয়ানা শরুক য়াবা কলচরেল ইভিনিং অমসু পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## এ আই এস এফকী টিম ওকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ঃ এ আই এস এফ নেস্নেল কাউন্সিলনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকখিবা দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট চৎলুদা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী থৌমী ১০ ঙসি তরাম্না ওকখ্রে। জোইন্ট সেক্রেটরী রেমেক্সনা লুচিংবা টিম অদুনা থুংলবদা ষ্টেট সেক্রেটরী টিঐচ রামেশ্বর সিংহনা ওকখিবনি হায়রি।

## সেন্সিটাইজেসন ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে

*চান্দেল, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ নেস্নেল প্রোগ্রাম ফোর পলিয়েটিভ ক্যার (এন ই পি সি)গী মখাদা নন কম্যুনিকেবল দিজিজেস (এন সি দি) সেল চান্দেলনা শীন্দুনা পলিয়েটিভ ক্যারগী মতাংদা নোংমগী ওইবা কম্যুনিটি বেজ সেন্সিটাইজেসন ৱার্কসোপ ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কপাম (কোন্নাথাবী) ভিল্লেজগী এমিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কপাম ভিল্লেজগী এসিষ্টেন্ট চীফ বোরফা মোয়োলনা অথোইবা মীথুংলেন, কপাম ঐচ দব্লিউ সিগী এম ও ইন–চার্জ ডা. লেপশাং রোইন্না থৌরম মপু, রাচেল ক্যার সেন্টরগী কোওর্দিনেটর এন জি নোয়েল মোয়োন, কপাম বেপটিস চর্চকী পাষ্টর রেভ রোয়েল ফিলিপ মোয়োন অমসুং থিমজিক টিন বুজুর রুৱারখে (টি টি বি আর)গী প্রসিদেন্ট সিঐচ চোংথাদেন মোয়োননা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এন সি দি সেল চান্দেলগী এ পি এম কামচুং মোয়োন, অতৈ ষ্টাফশিং, অশাশিং, মহৈরোয় অমদি খুঞ্জা কয়াসু য়াওখি। এন ই পি সি চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডা. মনোরঞ্জন লাইফরম্পম অমসুং এন পি সি দি সি এস চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডা. গিলবার্দ সুমপিনা পলিয়েটিভ ক্যারগী মতাংদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি হায়রি।

## শঙলেন শঙ্গাদুনা শান্নরোইশিংদা শিন্নখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ শান্নরোইশিংগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ক্যামগৈ পল অহনবীদা কা ২ লৈবা শঙলেন অমা ঙরাং শঙ্গাদুনা লৈশাং হিদেন কেনোইং এন্দ কয়াকিং এসোসিয়েসনগী শান্নরোইশিংদা শিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এন কিষণ, সোসিয়েল ৱার্কর টিঐচ দোজেন্দ্রো, এ এম এম য়ু সিগী প্রসিদেন্ট কে কামসোন অমদি কে ৱাই পি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী এ বোবিনচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী আর্বিন খুরাইজম্না নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, শান্নরোইশিংগী নুমিৎনা লাকপদা ইরমদম মণিপুরগী মতিং লৈরবা নহারোল মরু ওইনা শান্নরোই খূদিংমক্না ষ্টেট অসিগী তুংগী লাইবক লেপমিন্নসি লোয়ননা হৌন–লোনচৎ খঙবা মতিং লৈবা শান্নরোইশিংনা ইরমদমগী চাউখৎপা ইং তপ্পা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

## সেনিয়ার সিটিজন্স ফোর সোসাইটি মণিপুরগী জি বি মিটিং পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ঃ সেনিয়ার সিটিজন্স ফোর সোসাইটি মণিপুরগী ১৩ শুবা চহীগী জেনরেল বোদি মিটিং হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবা অরিবম চাউবা শর্ম্মাগী য়ুমদা আর ভি মিংথিং ৱার্কিং প্রসিদেন্টনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ষ্টেট এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দ সিংহসু অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। মমাঙ চহী ২০১৮ দা লৈখিদ্রবা এসোসিয়েসনগী মেম্বর ৭ কী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মশক নাইবা সেনিয়ার সিটিজন ৪ সু ইকায় খুম্নবা উৎখি। মখোয়শিং অদুদি সেনিয়ার এনেসথিয়েটিস ওইরম্বা ডা. লাইশ্রম যোগমনি সিংহ, প্রো. রোজ মাংসি হাওকিপ সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট, এম সি এস ওফিসার ওইরম্বা গোপাল কবুই অমসুং কোওপরেটিভ দিপার্টমেন্ট দি সি ও ওইরম্বা রহিমুদ্দিননি।

মীফম অদুনা মখা তানা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মরু ওইবা ইসু কয়া খন্নবগা লোয়ননা ৱারেপ ৩সু লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি মণিপুরদা ফ্রি এন্দ ফিয়ার ইলেক্সন ওইহন্নবা সরকারদা হায়বা, বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিট সহানা ৱাশকখিবগী মতুং ইন্না করিগুম্বা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল পাস তৌরক্লবদি বিল অসি মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিং কোনশিলহন্দবা অমসুং অসাম রাইফলসতা ৱারেন্ট য়াওদনা থিবা হুম্বা অমসুং ফাবগী শক্তি পীখিবা নোটিফিকেসন অদুগা অমুক ৱিদ্রো তৌখ্রবা অদু অফস্পানা শোকহল্লবা অমদি অওৎ অনৈ খাঙলিবা মণিপুরদা অমুক হন্না ইমপোজ তৌদনবা খঙহনবা হায়বসিনি।

## সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা য়াওনবা সেন্টরদা তকশিল্লগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ মৈতৈ / মীতৈবু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চন্নবা ভারত সরকারদা খঙহনবগা লোয়ননা তকশিল্লগনি হায়না ৱুমেন এক্সন ফোর সোসিও ইকোনোমিক দিভলপমেন্টকী প্রসিদেন্ট আর কে থরাকস্নানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়, সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা শীন্দুনা লাক্লিবা মার্চ ৩ দা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎতা শরুক য়াগনি। ইন্দিয়াগী য়াম্নবা মীশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয় ইরাক্লবগী ফিভমদা লাক্লে। লমদম অসিগী চনুরা কয়াদা তেমশিং–নরকপা, মীতোপ্পা য়োৎশিল্লকপা, রেলৱে য়ৌরকপদা লমদম অসিদা মীতোপ্পা খুন্দাশিল্লকপা য়াবগী অকিবা কয়া লৈরিবসিদগী কঞ্জনবগীদমক মৈতৈ /মীতৈবু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চলহবা মথৌ তাই। মসিগী মতাংদা ষ্টেট সরকারনসু রিকমেন্দেসন তৌদুনা সেন্টরদা তকশিনগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ঃ কবুই সমিটি মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর হিয়াংথাং কবুই খুন্দগী লোংমৈ নিংথৌজাও কবুইনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশামথোং কবুই খুন্দা লৈবা সমিটি অসিগী ওফিস্তা প্রসিদেন্ট জি গাইরিনলুং কবুইনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরমলেন্দ ইংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনিট ২ তুমিননা লেপ্তুনা থৌনিজখি লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট পি জি মকুনিংপৌ কবুইনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা মোর্দন কলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফাইনান্স সেক্রেটরী অমসুং কলেজ অসিগী সিক্স সেমিষ্টর মহৈরোয় সিঐচ লুইকমবৌনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিত্তা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা দেসাম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমদি অতৈ মশা লোইশঙশিং অমসুং মোদর্ন কলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা মহৈরোয় লুচিংবা লুইকমবৌনা তৌরম্বা থবক কয়া শীংথাবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না তোঙান তোঙান্না থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## সাহৈনল/Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক ঃ– নুংশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা–তঙবা, অমাংথোঙ–নাম্বুবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং–মরেং চৎপা, চক–চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), ম্যুচম তাবা, ঈ তাবা, ঈ–অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ–দ্রোপ তাবা, ঈ–পেচাকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ–চনপ লাওবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়দ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্বরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্বুরকপা, পিক্লা মরি অমা ওইনা ইম্বুরকপা, চিকপা–শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা–ফ্রা লাওনা ইম্বুরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোইবা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা),লিভর চাওথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – *Naorem Ibomcha Meitei*
*Heingang Awang Leikai, Saya Club,*
*Imphal East-795002, P.O. Mantripukhri, P.S. -Heingang P/S*
*SL/4452/upto March 24* *Contact No. 8014023792*

## দশা য়েংজরি

- অঙাং লাইরিক ফনবা
- পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনবা
- হায়বা ইন্নবা
- নিশা চাদনবা
- থবক ফংনবা
- করবার তোংনবা
- শেল পায়নবা
- ইংখোল লৈবা ঙম্নবা
- য়ুম শাবা ঙম্নবা
- ফজবা গারী তোংনবা
- য়ুম্বাল কায়দনবা
- অঙাং য়াওননবা
- মীনা য়েংশিনবা চঙদনবা
- কেস ঙম্নবা
- ভোৎ কাননবা
- অনাবা কোক্লনবা

খ্বাইদগী লায়বা উপায়দি ইশাগী কুঠী কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা কুপ্পা অমুক্তং য়েংথোকপনি, কুঠী লৈত্রবসু ৱানিংঙাই ওইদে। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চেকশিন্না খুবাক ময়ি য়েংজরি। চহী নিফুরোম ইশাগী শিনফম ওইনা থিজিল্লক্লি অমসুং য়েংজরক্লি। অফবা থবক্তি য়ৈথোক্লোইসি, ঙসিমক লাকপিদুনা ফনবা তান্নবিয়ু।

মীয়ামগী জ্যোতিষ মহাঋষি
ডা. পিঐইচ রাজেন্দ্র (ফাৰ্ই)
নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল।

*SL/3010/30 days*

## মার্চ ৩ মীয়ামগী খোঙচৎতা উকলনা শৌগৎকনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ মৈতৈ / মীতৈবু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চলহন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী চৈঙাক পীগদবনি হায়বা দাবি তৌদুনা লাক্লিবা মার্চ ৩ নোংমাইজিং নুমিত্তা মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙচৎতা উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)না মপুং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা মশা লোয়শঙ পূম্নমকসু শরুক য়াগনি হায়রি।

উকলগী জেনরেল সেক্রেটরী এম জিলাঙম্বনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লমদম অসিদা ওইরক্লিবা তম্বা ঙমদবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী মরাইবক য়েংলগা অচেৎপা ফিরেপ অমা লেপহৌদ্রগদি মালেম অসিদা মৈতৈ /মীতৈ ফুরুপ অমা লৈরম্মী হায়বসি ৱারীখক ওইহৌরগনি। হৌমিন্নরকখিবা ফুরুপ কয়া খঙনা খঙনা উনা উনা মাঙখ্রে। মসিমক ঐখোয়গী লাইবক্তসু থোক্লোই হায়নিঙাই লৈতে।

মসিগী খুদম হায়ববু য়ুম ইংখোল লৌ য়োনবগী খঙহনবনা চেপাউগী লমাই থল্লক্লে। করিগী য়োল্লিবনো, কনানা লৈরিবনো হায়বসি নৈনরুরবদি চহী খরখক্কী মতুংদা ফুরুপ অসিগী লাইবক্তা থোক্লগদবা ফিভম লাইনা খঙবা ঙমগনি। ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি কূপ্না নৈনরগা সরকারনসু ফুরুপ অসিবু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা থিহ্বা তৌদনা রিকমেন্দ তৌগদবনি। মীয়াম্নসু মশা মশাগী মথৌনি খন্না খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ৪৭ শুবা শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেল ঙসিদগী হৌরগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি ইম্ফালনা শীন্দুনা ৪৭ শুবা ওল মণিপুর শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেল ২০১৮–১৯ হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা হৌরগনি।

মার্চ ১৬ ফাওবা চথগদবা ফেষ্টিভেল অসিদা নুপা শুমাঙ লীলা কাঙলুপ ৯ অমসুং নুপী কাঙলুপ ১২ না শরুক য়াগনি। হয়েং অহৌবা নুমিত্তা স্পিসিয়েল ওইনা সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্টকী 'পামেলদুগী উখাদা' উৎকনি। ফেষ্টিভেল অসি হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপতুল্লানা হৌদোক্কনি অদুগা থৌরম অদুদা মণিপুর সরকারগী কম্মিস্নার (আর্ট এন্দ কলচর) এম লক্ষ্মীকুমার সিংহ আই এ এসনা থৌরম মপু ওইগনি। ফেষ্টিভেল অসিগী প্লেদি শগোলশেন নুমিত্তগী হৌগনি হায়রি।

## এগজামদগী মহৈরোয় ২ তাম্থোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ ঃ হৌজিক চথরিবা হয়ার সেকেন্দরি এগজাম ২০১৯ গী ঙসি তোঙান তোঙানবা সেন্টর ২ দা মহৈরোয় ২ ইম্পারসিনেসন তৌরম্বগীদমক তাম্থোকখ্রে।

কাউন্সিলগী সেক্রেটরীনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রিবদি লাংমৈদোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল সেন্টরদা আর্টস ষ্ট্রিমগী পোলিটিকেল সাইন্স সবজেক্টতা ঙসি মহৈরোয় অমা রোল নম্বর ৩৮৬৯ অমসুং ৱাঙ্গোই হয়ার সেকেন্দরি স্কুল সেন্টরদা সাইন্স ষ্ট্রিমগী ফিজিক্স সবজেক্টতা মহৈরোয় ১ রোল নম্বর ২৩২৯৬ ইম্পারসিনেসন তৌরম্বগীদমক তাম্থোকখ্রে। মখোয় মখা তানা এগজাম অসিদা য়াওবা য়াররোই হায়রি।

## ৬ শুবা এ আরনা কম্প্যুটর মতেং পাংখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৬ (এস এন এস)ঃ ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল মখা পোরোম্পাৎ রোডতা লৈবা ইরানফম থোংখোঙ কম্যুনিটি হোলদা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট অমিটকুমার দাসনা ফিজিকেল্লি চেল্লেঞ্জ পার্সন ৱেলফিয়ার ওর্গনাইজেসনদা কম্প্যুটর সেট ৪ খুৎশিন্নখ্রে।

এ আরনা শীন্দুনা ঙসি অয়ুক পাঙথোককিবা থৌরমদুদা ৬ শুবা এ আরগী কম্মান্দেন্ট অমিটকুমার দাস, ইম্ফাল ইষ্টকী এদিস্নেল এস পি কৃষ্ণতোম্বী, রিটয়ার এদিস্নেল এস পি জন্মা, ফিজিকেল্লি চেল্লেঞ্জ পার্সন ৱেলফিয়ার ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম য়াইফবা অমসুং কোংপাল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অমিটকুমার দাসনা হায়, লমদমসিগী মীয়াম্না এ আরগা মতেং পাংনদুনা অৱাৎ অপা তাথোক–তাশিন তৌনসি। ঙসি পীরিবা কম্প্যুটর অসিনা দিসএবলশিংনা কম্প্যুটরগী নোলেজ ফংবদা হেন্না খুমাঙ চাউশিনহন্নবনি। থৌরমদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম কয়াসু উৎখি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২৭–০২–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খৎনবা, শোক্কনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। লম চৎপদি হৈ শিংঙউ। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১,২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, ৱারৌবা মতম্নি। শাগৈনা য়েংথিবা ওই। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু, পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** শেল ফংবা চৎপা, শাওনবা, খৎনবা, তোখাই তাবা মতম্নি। গারী তপ্পা থৌগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফগনি।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, শেল ফংবা, অরুবা পাঙথোকপা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, কোক শাবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। হকচাং নুংঙাইরোই। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** অশোক অপন নংবা, কোক খরা শাবা, শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** খৎনবা, শাওনবা, মত খেন্নবা মতম্নি। লম চৎপা মী তিন্নবা চেকশিল্লু। শেল চৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫, ১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, শেল ফংবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** শাওনবা, খৎনবা, শোক্কনবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। ঐগী মী মশীং হন্থবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা খরদি লাঙগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ অফবনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** খৎনবা, শোক্কনবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। শেল ফংবা অমদি চৎপা মতম্নি। গারী তপ্পা থৌগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ ফগনি।

**কুম্ভঃ** ৱারৌবা, শাওনবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি, পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩, ২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।







